## ত্রান্সজেন্দরশিং য়াবগী মতম শাংদোকখ্রে

করাকাস, জুলাই ০১:

বারাক ওবামাগী এদমিনিষ্ট্রেসননা ত্রান্সজেন্দরশিং রিক্রুটশিংবু মিলিটরিগী থবক্তা শিজিন্ননবা হৌনবগী থৌরাং অমা দিফেন্স সেক্রেটরি জেমস মাতিসনা ইরাই নুমিৎতা মথংগী জানুৱারি ১ ফাওবা থীন্থহনখ্রে হায়না পেন্টাগোন্না ফোংদোল্লি।

থৌরাং অদু থবক ওইনা পাঙথোকপদা থা তরুক থীন্থহন্নবগী ৱারেপ অদু মাতিসকী মমাঙদা লৈরম্বা দিফেন্স সেক্রেটরি অশটর কার্টরনা বারাক ওবামাগী এদমিনিষ্ট্রেসন লৈরিঙৈদা থমখিবা দেদলাইন য়ৌগদবা নোংমখক্কী মাংওইননা লৌখিবনি।

আমর্দ সার্ভিসেসকী ব্রাঞ্চ মঙানা হৌজিক ত্রান্সজেন্দর রিক্রুটশিং য়াবগী মতম জানুৱারি ১ ফাওবা চোন্থবা য়ারগনি। মসি মখোয়বু মিলিটরিদা চঙহনবগী থৌরাং রিভ্যু তৌনবা অমসুং ফোর্সশিংগী শেম শাবগী ফিভমদা মখোয়গী ইম্পেক্ট করি ওইবা য়াই হায়বা খঙনবনি হায়না পেন্টাগোনগী স্পোক্সপার্সন দানা হ্বাইটনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা চয়োলদা তোঙান তোঙানবা সার্ভিসশিংনা ত্রান্সজেন্দর রিক্রুটশিং লৌবগী মতাংদা য়ান্নবা পুরকপা ঙমখিদে হায়না হ্বাইটনা এক্সপ্লেন তৌখি।

# হোং কোং হনবগী ত্রিটি চৎননিঙাই ওইদ্রে হায়রুবদগী চাইনাগী ৱা ঙাকপগী ৱাফমদা চীংনবা পোক্লরক্লি



লন্দন, হোংকোং, জুলাই ০১:

হোং কোংবু চাইনাদা হন্দোকখিবগী ফিভম গভর্ণ তৌরিবা য়ু কে ত্রিটিবু বৈজিংনা মখা তানা চৎননিঙাই ওইদ্রে হায়না ফোংদোকখিবগা লোয়ননা বৈজিংনা ঈথৎ সিটি অসিগী ওতোনোমিগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং অতৈ ইন্টর নেসনেল ওব্লিগেসনশিং অমসুং মখা তানা ঙাকখিদৌরিব্রা হায়বগী মতাংদা চীংনবা পোকহল্লে হায়রি।

সিটি অসিবু চাইনাদা শিন্নখিবগী ২০শুবা কুমওন নুমিৎকী হেক মাঙওইনবা নুমিৎতা চাইনিজ ফোরন মিনিষ্টরনা সাইনো-বৃটিশ জোইন্ট দিক্লারেসন অদুবু থবক ওইনা পাঙথোক্লবগী থোইদোকপা মরম অমৎতা লৈত্রবা পুৱারীগী ওইবা দোক্যুমেন্ট অমনি হায়না ফোঙদোকখি। চাইনিজ ফোরন মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল অসি য়ু কেগী ফোরন সেক্রেটরি বোরিস জোন্সননা ত্রিটি অদুগী মখাদা হোং কোংদা পীরিবা রাইটশিং অমসুং ফ্রিদমশিং ২০৪৭ ফাওবা দিফেন্দ তৌগনি হায়না চেৎনা ফোঙদোকখিবগী পাউখুম ওইনা থাদোরকখিবনি।

হোং কোংগী মতাংদা সেনত্রেল গভর্ণমেন্টগী মেনেজমেন্টনা লোইনমক ইন্নিঙাই ওইদে হায়না মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন লু কাংনা ফোঙদোকখি। শিন্নখ্রবা মতুংদা হোং কোংগী মথক্তা য়ু কেগী সোভরন্টি, লৈঙাক্লবগী অমসুং য়েংশিন্নবগী পৱার লৈররোই।

বৈজিংনা হোং কোংবু কনত্রোল তৌবগী ৱাফম অসি ঈথৎ অসি ১৯৯৭ তা চাইনাদা অমুক হন্দোকখিববু নীংশিংবগী থৌরমদা শরুক য়ানবগীদমক চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎ অমদা সিটি অসিদা লৈরিঙৈদা হঞ্জিন হঞ্জিন পনখিবনি। তৌইগুম্বসুং চাইনিজ মার্কেটপু মালেমদা হাংদোকখিবদগী লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা এগ্রিমেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা চহী ৩৩ শুরবা জোইন্ট দিক্লারেসন অদু মালেমদা মতিক ময়াই চেনবা লৈবাক অমা ওইরক্লিবা চাইনানা গ্লোবল নোর্মসতা পীরিবা ইমপেক্ট নৈনরকপা মতমদা নৌহৌননা নীংশিংহল্লি হায়রি।

মসি মালেম পুম্বনা মীৎয়েং চংগদবা অমসুং রেসপোন্দ তৌগদবা থৌদোকশিংগী মতুংদা অমনি হায়না লন্দনদা লৈবা এস ও এ এস চাইনা ইন্সটিট্যুটকী দিরেক্টর অমসুং এ মোদর্ন হিষ্ট্রি ওফ হোং কোংকী অহৈবা ষ্টিভ সাংনা ফোঙদোকখি।

চাইনাগী হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভমদা চানরক্কে হায়দুনা বৈজিংনা য়ুকেন্দা সাইন তৌনবা ইন্টরনেসনল এগ্রিমেন্ট অমবু পুৱারীগী দষ্টবিন্দা লঙশিনবা তারবদি ইন্টরনেসনল এগ্রিমেন্ট অমা সাইন তৌখিবা অতৈ অতোপ্পা গভর্ণমেন্ট অমদা থাজবা লৈখিগদ্রা হায়না মহাক্না হংখি।

অসিগুম্বা থৌদোক অসিনা চাইনাগী মমাঙগী তোপ দিপ্লোমেট অমনা হৌখিবা চহীদা সাউথ চাইনা সিগী মতাংদা ইন্টরনেসনল ত্রাইব্যুনেল পীখিবা রুলিং অমবু চেথি-চেগুম অমগুম্না ফোঙদোকখিবগী থৌদোক নীংশিংহল্লি হায়রি।

অমরোমদা হন্দক থা খরসিদা প্রসিদেন্ট সি না ইন্টরনেসনল এগ্রিমেন্ট কয়া অমসু শৌগৎপা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা য়ু এস পু পেরিস ক্লাইমেট চেঞ্জ একোর্দতগী লৌথোকখিবা মতুংদা সিনা একোর্দ অদুবু শৌগৎকনি হায়না চেকশিন্না ফোঙদোকখিবনি।

## য়ু এসকী ব্রোঙ্কস হোস্পিটালদা দোক্তরনা নোংমৈ কাপ্পদা নুপী ১ শিখ্রে, অতৈ মীওই ৬ শোকখ্রে

ন্যু য়োর্ক, জুলাই ০১:

ন্যু য়োর্কতা লৈবা ব্রোঙ্কস হোস্পিটালগী খোইরাং খোইশাওরবা দোক্তর অমনা ইরাই নুমিৎতা এ আর-১৫ রাইফল অমা শীজিন্নদুনা কাপ্পদা দোক্তর অমা শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই তরুকনা অশোক অপন নংখ্রে। লেব কোট লিৎপা দোক্তর অদু মীওই কয়াদা ওনশিন্দুনা নোংমৈ কাপ্লবা মতুংদা মশা মৈ থাজখি অমসুং মকোক্তা নোংমৈনা কাপশিঞ্জখি হায়রি।


পুলিসনা হেনরি বেলো কৌবা মশাগী চহী ৪৫ শুরবা মীওই অমনি হায়না শক্তাকখিবা দোক্তব অদুনা অশাওবগা লোয়ননা এতেক অদু পাঙথোকখিবদা ব্রোঙ্কস-লেবানন হোস্পিটাল সেন্টরদা থবক তৌরিবা মীওইশিং কোইচেন চেন্দুনা দেস্কশিংগী মরুমদা পাকথনখি। অনা-লায়েংগী মফম অদুগী হোলৱেশিং মৈখুনা থনখি।

থৌদোক অদুবু উহৌবশিংনা মেদিকেল ৱারকরশিংনা ফক্লাংদগী ফায়র হোজ অমা চীংখৎলগা ভিক্তিমগী মখোংদা ঈ থোকপা লেপহন্ননবা য়েৎশিনবগী পাউদম তম্নখি অমসুং অতৈ ৱিটনেসশিংনা হোলৱেদা চেনখিবা মশা মৈ চাক্লবা কিনিঙাই ওইরবা গনমেনগী শক্তম নীংশিংখি।

সেক্স্যুঅল হরাশমেন্টগা মরী লৈননা মরাল শিবদগী থবক তোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা থা তরুক হোস্পিটাল অদুদা থবক তৌরকখিবা দোক্টর বেলো মথ্বাই নুংঙাইখিদে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। চহী খরগী মমাঙদসু মহাক মনহাটান দা নুপী অমদা অসোল্ট তৌখিবা মতুংদা সেক্স্যুঅল এব্যুজগী মরালদা ফাখি হায়রি।

এতেক অদু মমাঙদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী কম্যুনিটি কয়াদা চথুবা উখ্রবা নাইতোম ওইবা গনমেন অমনা মীয়ামদা পাক্তক্লনা নোংমৈ কাপশিনবগী থৌদোক্কা মান্নে হায়না লৌনখি।

# জপাননা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা থা লৈবাক্তা মী থানবগী থৌরাং ফোংখ্রে



টোকিয়ো, জুলাই ০১:

জপাননা কুমজা২০৩০ গী মতম অদুৱাইদা অষ্ট্রোনোট অমা থাদা থানবগী থাজবা কয়া থল্লিবা থৌরাংশিংদু ফোঙদোকখ্রে। থাদা মী থাবগী থৌরাং অদু লৈবাক অসিগী স্পেস এজেন্সিগী অনৌবা প্রপোজলশিংদা য়াওখিবনি।

জপান এরোস্পোস এক্সপ্লোরেসন এজেন্সি (জে এ এক্স এ) না ইন্টরনেসনল স্পেস ষ্টেসনগী ৱাংমদা অষ্ট্রোনোট অমা থাননবগী পান্দম থম্লকপসি মসিনা অহানবনি হায়না এজেন্সিগী স্পোক্সপার্সন অমনা ইরাই নুমিৎতা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

স্পেস এক্সপ্লোরেসনগা মরী লৈনবা জপানগী অনৌবা থৌরাং অসিগী মপুং ওইবা আইদিয়াদি নাসানা লুচিংদুনা ২০২৫ দা পাইখৎকদৌরিবা থাগী ওর্বিটতা স্পেসষ্টেসন অমা শাবগী মিসন্দা হান্না য়াওশিনবনি। থাগী ওর্বিটতা স্পেস ষ্টেসন অমা থম্ববা হায়বসি নাসানা মার্স য়ৌনবা মতম শাংনা পাইখৎকদবা থবক থৌরমশিংগী শরুক অমনি।

মল্টিনেসনল মিসন অদুদা মতেং পাংবনা অমসুং জপানিজ টেক্নোলোজি স্যের তৌবনা ষ্টেসন অদুদা মফম অমা শোইদনা ফংগনি অমসুং মদুদগী থাদা অষ্ট্রোনোট অমা থাবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না জে এ এক্স এগী স্পোক্সপার্সন অদুনা ফোঙদোকখি।

প্লান অদু চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা ইদ্যুকেসন মিনিষ্ট্রি পুথোকখি। মথং চহীদা হেন্না ফোর্মেল ওইবা মওংদা ব্লুপ্রিন্ট অমা পুথোক্লগনি হায়না পব্লিক ব্লোদকাষ্টর এন ঐচ কেনা ফোঙদোকখি।

চাইনা অমসুং ইন্দিয়ানা মখোয়গী স্পেস প্রোগ্রামশিং চাওখৎহন্নবা মখা তাবা খোংথাং কয়া পাইখৎলকখিবগা চাননা জপাননা অনৌবা পান্দম অসি লাওথোরকখিবনি।

হৌখিবা নভেম্বরদা চাইনাগী সেনজৌ স্পেসক্রাফট আর্থতা অমুক হল্লকখিবগা লোয়ননা মালেমদা পৱার পাইখৎলক্লিবা লৈবাক অসিগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী মতম শাংলবা ওর্বিটেল মিসন অমদগী অষ্ট্রোনোট অনী পুরকখি। বৈজিংনা মার্সকী প্রোব অমগী ইলষ্ট্রেসনশিংসু উৎখিবা লৈখ্রে। নাসা অমসুং অতৈ গ্লোবল স্পেস এজেন্সিশিংনা ২০৩০গী মতুং চহী খরা ফাওবগী মনুংদা মার্সতা অষ্ট্রোনোটশিং থাননবা কন্না হোৎনরিবনি।

হৌখিবা মার্চতা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা নাসাবু ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা মার্সতা মী য়াওবা মিসন অমা থানবা দিরেক্সন পীবা য়ু এসকী কোংগ্রেসনা পাস তৌখিবা বিল অমা সাইন তৌখি।

## মোসুলদা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেটকী অরোইবা লানবলদা ইরাকি ফোর্সশিংনা এতেক তৌখ্রে



মোসুল, ইরাক, জুলাই ০১:

মোসুলগী ওল্ড সিটিদা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেটকী লেমহৌরিবা লানবনদা ইরাকি গভর্ণমেন্টকী ফোর্সশিংনা ইরাই নুমিৎতা এতেক তৌখ্রে। ইস্লামিক ষ্টেটকী কলিফেট লোইশিল্লে হায়না হৌনবী মতুং ইন্না লাওথোকখিবা অমসুং মখোয়গী পৱারগী সিম্বোল ওইরিবা হিস্তোরিক মোস্ক পাইশিনখিবা মতুং নোংমা লৈরগা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা এতেক অদু চথুখিবনি।

মীচম দজন কয়া ইরাকি ফোর্সশিংগী মায়কৈদা চেনখি। মখোয় অয়াম্বা নুপীশিং অমসুং অঙাংশিং ওইখি অমসুং খরনা লালহৌবশিংনা কাপ্পদা শোকখি।

মিলিটেন্ট অয়াম্বা শিদ্রিফাওবা লান্থেংনগদবা মীরৈবাকমচাশিংনা অয়াম্বা ওইবনা লাক্কদৌরিবা লালশিং অদু ইরাই লাইনা শোক্লবা য়ারোই হায়রি। ফাইটরশিংদু মীচমশিংগী মরক্তা কোমশাং তৌরগা লৈবগা লোয়ননা মখোয়না মীচমশিংবু হ্যুমেন সিল্ডশিং ওইনা শিজিন্নে হায়না কাউন্টর টেররিজম সার্ভিস (সি টি এস) কী কম্মান্দরশিংনা সিটি অদুদা রোইজর্দদা ফোঙদোকখি। সি টি এসকী মেজর জেনরেল মান অল-সাদিনা ফোঙদোকখি মদুদি, ফাইটর ২০০ রোম্না ঙাক শেন্দুনা টাইগ্রিস তুরেল মপান্দা লৈবা লালহৌবশিংদুগী লানবনদু খুদুম চন্নবা তৌবদা নুমিৎ মরিনি মঙানি লাল শোক্লবা চঙগনি। মিদান নৈবরহুদ তম্না মখা তানা চঙশিল্লি। মসিবু কনত্রোল তৌবা হায়বসি ঐখোয় টাইগ্রিস তুরেল য়ৌরবনি।

মফমদদুগী চেন্থোরকখিবা মীচমশিংনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না মীচম লিশিং কয়া মফমদা চীঞ্জাক, ঈশিং, হিদাক লাংথক অমসুং হেল্থ সার্ভিসশিংনা খুদোং চাবা ইয়াও য়াওদনা অৱাবগী মশক ওইরবা ফিভমশিংদা লৈরি।


ইরাই নুমিৎতা মফমদুদগী নান্থোকখিবা মীওইশিংনা চয়োল অমগী মমাঙদা ইস্লামিক ষ্টেটকী ফাইটরশিংনা থুগাইখিবা গ্রান্দ অল-নুরি মোস্ককী মনাক্তা লৈবা অখুবা লম্বীশিং ফাওখি। আর্টিলরি অমসুং নোংমৈ কাপ্পগী মখোলশিংগী মরক্তা তুরেলগী মতাইদা লৈবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মথক্তা মৈখু মপৈ মপৈ কাখৎখি। য়ু এসনা লুচিংবা নোংচুপলোমগী ক্রুপশিংনা এয়র সর্ভিলেন্স চথদুনা আর্টিলরি কাপ্পগী এদজষ্টমেন্টদা মতেং পাংখি।

সিটি এসনা শগোলশেন নুমিৎতা চহী ৮৫০ শুরবা অরিবা মোস্ক অদুগী লেমহৌবা শরুকশিং পাইশিল্লবা মতুংদা ইরাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর হাইদর অল-অবাদিনা ইস্লামিক ষ্টেটকী কলিফেট লোইশিল্লে হায়না লাওথোকখি। চহী অহুমগী মমাঙদা ইস্লামিক ষ্টেটকী লিদর অবু বাকর অল-বাগদাদিনা ইরাক অমসুং সিরিয়াগী শরুকশিংদা মহাক্কী কলিফেট শেম্লে হায়না মোস্ক অসিদগী লাওথোকখিবনি।

## চাইনিজ স্কোলর অমা কিদনেপ তৌবনি হায়বা নুপা অমা ফারে

স্প্রিংফিল্ড, জুলাই ০১:

ইলিনোইগী নুপা অমবু চয়োল অহুমগী মমাঙদা থীবা খঙখিদ্রবা চাইনাদগী লাকখিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ ইলিনোইগী ভিজিটিং স্কোলার অমা ফাখিবা মীশক্লি হায়না ইরাই নুমিৎতা মরাল শিখ্রে। থীবা খঙখিদ্রবা চাইনিজ স্কোলার অদু শিরম্লগনি হায়নসু থাজনরি। ফেদরেল ক্রিমিনেল কমপ্লেন্ট অমনা সসপেক্ট অদুগী ফোনদু হৌখিবা এপ্রিলদা এপক্সন ১০১ কৌবা ওনলাইন ফোরম অমা ভিজিট তৌবদা শিজিন্নখি হায়না পনখি।



য়িং য়িং ঝাং কৌবী মশাগী চহী ২৬ শুরবী চাইনাদগী ৱার্কিং-ক্লাস ফেক্তরিগী দ্রাইভর অমগী মচানুপী ওইবা নুপিমচা অদু সেনত্রেল ইলিনোইগী অর্বানা সেমপ্রেন কেম্পসতা থুংখিবা মতুং চয়োল খরা লৈরগা হৌখিবা জুন ৯দা মাংখিবনি। মহাক মফমদুদা এগ্রিকলচরেল সাইন্সেসতা রিছার্চ তৌরিবনি অমসুং মতুং তাবদা মহাক্কী দোক্তরেটকী থবক হৌগদৌরিবনি। মরুপ মপাংশিং অমসুং ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মহাকপু মহৈ-মশিংদা য়াম্না ফবা, হোৎনবা কনবা, চেকশিনবা অমসুং মহাক্কী অহল-লমনশিংবু য়াম্না লুনা খঞ্জবা মীশক অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

চাইনিজ মহৈরোয় ৫,৬০০ য়ুনিভর্সিটি অদুদা মিং চন্দুনা য়ু এসকী অতৈ কলেজদা তম্লিবা চাইনিজ মহৈরোয়শিংগী মশিংদগী য়াম্না হেল্লি অমসুং ঝাং মাংখিবা অসিনা য়ু এসতা মহৈ তম্লিবা চাইনিজ মহৈরোয়শিংগী ইমুংশিংগী অৱাবা হেনগৎহল্লে হায়রি।

ফেদরেল ওথোরিটিশিংগী মতুংইন্না, ইলিনোইগী সেমপেনদগী মশাগী চহী ২৮ শুরবা ব্রেন্দ ক্রিসটেন্সেন কৌবা মীওই অদু ক্রিমিনেল কমপ্লেন্ট অমদা ঝাংবু ফাবগী মরাল শীরি। মহাক য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনাক্তা বস অমদগী কুমথরগা চৎখিবা মতুং মতম শাংনা কান্নদ্রিঙৈদা ফাখিবনি। ভিদিও ইমেজশিংনা মহাকনা অমুবা সের্টর্ন অষ্টা অমগী মমাঙগী সিটতা ফমখিবগী শক্তম উৎখি। এফ বি আইগী স্পেসল এজেন্ট এন্থোনি মঙ্গানারোনা ফেদরেল কোর্টতা ফাইল তৌখিবা লমাই ১০গী এফিদাভিট অমদা ক্রিষ্টেনসেননা ঝাংবু কিদনেপ তৌখিবগী ৱারী লীবদা এজেন্টশিংনা তাহৌবদগী মীওই অসি য়েংশিনখি হায়না পনখি। মদুগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসন্দা থেংনরকখিবা অতৈ ফেক্ট খরদা যুম্ফম ওইরগা এজেন্টশিংনা ঝাংবু হৌজিক হিংদ্রে হায়না থাজখি।

চাইনিজ স্কোলার অদুগী হকচাং কদাইদা লৈরম্বা য়াবগে হায়বগী মতাংদা ওথোরিটিশিংনা লংলা লংজিন মুন্না থেংনরবা হায়না হংবদা এফ বি আই স্প্রিংফিল্ড ওফিসকী স্পোক্সমেন ব্রাদলি ৱেরনা কমেন্ট পীয়ু য়াখিদে।




## EMPLOYMENT NEWS

**National Bank for Agriculture and Rural Development (NABARD) invites Applications for the post of 09 SSB Recruitment – Sashastra Seema Bal – 355 Constable (GD) Sports Quota Vacancy Last Date 30 July 2017**

**SSB Recruitment 2017**

Sashastra Seema Bal (SSB) invites Application for the post of 355 Constable (GD) under Sports Quota for the year 2016-17 & 2017-18. Apply before 30 July 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**SSB Job Details :**

**Post Name :** Constable (General Duty) under Sports Quota

**No. of Vacancy :** 355 Posts

**Pay Scale :** Rs. 5200-20200/-

**Grade Pay :** Rs. 21700/- (Per Month)

**Details of Vacancies :**

Football
Athletics
Volleyball
Basketball
Handball
Kabaddi
Aquatics
Cross- Country
Judo
Hockey
Fencing
Water Sports
Wrestling
Boxing
Weight- lifting
Gymnastics
Wushu
Taekwondo
Archery
Sepaktakraw
Shooting (Sports)
Equestrian and Cycling

Eligibility Criteria for SSB Recruitment :

**Educational Qualification :** Matriculation or its equivalent from a recognized board and Players who have participated in any International Sports events as a member of the Indian Squad for last 01 (One) year and players who have won medal(s) in any National Games/ Championships recognized by Indian Olympic Association, Sports Federation of (concerned sport) for last 01 (One) year.

**Nationality :** Indian

**Age Limit :** Minimum & Maximum age limit is 18 to 23 years

**Age Relaxation :** SC/ST Category 05 years & OBC Category 03 years

**Job Location :** All India

**SSB Selection Process :** Selection will be based on Physical Standard Test, documentation & written examination.

**Application Fee :** General/OBC category candidates have to pay Rs. 100/- through IPO/Demand Draft/ Banker Cheque i.e. IPO should be prepared in favour of in favour of Accounts Officer, FHQ, SSB, New Delhi payable at New Delhi & Demand Draft / Banker Cheque should be prepared in favour of Accounts Officer, FHQ, SSB, New Delhi payable at State Bank of India, R.K. Puram, New Delhi (Branch Code-01076).

**How to Apply SSB Vacancy :** Interested Candidates may apply in prescribed application form along with self attested photocopies of age, qualification, experience, caste certificate, Bonafide/ Domicile/ Permanent residence certificate, Two self-attested recent passport size photographs, Two self-addressed envelopes of 11.5 cms x 27.5 cms with postage stamps worth Rs. 25/- affixed in & in an envelope should be superscribed as “Application For The Post Of Constable (GD) Under Sports Quota – 2016-17 & 2017-18? send to the Assistant Director (Sports) Force Hqr., Sashastra Seema Bal (SSB), East Block-V, R.K.Puram, New Delhi -110066 on or before 30.07.2017.

**Important Dates to Remember :**

Last Date for Submission of Application form : 30.07.2017

**Important Links :**

**Detail Advertisement & Application Form Link :** http://www.ssbrectt.gov.in/docs/Advt%20sports%20quota%202017%20in%20SSB.pdf

**Notice :** http://www.ssb.nic.in/WriteReadData/LINKS/3783a8e92ab6-8f1e-4955-a85e-ab0b712aa71b.pdf